**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 29.6.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ৱার্ক্স মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা হায়রি- রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিং মশা মশাগীময়ুমদা হঞ্জিনহন্নবা অমসুং মখোয়গী অৱাৎ অপাশিং কোকহন্নবগী থবকশিং অথুবা মতমদা পাঙথোক্লগনি।

২) য়ু.এনদা পার্মেনেন্ট মিসন ওফ ইন্দিয়াগী ফার্ষ্ট সেক্রেটরি ওইরিবা খিতিজ তিয়াগিনা ভারতকী অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা ম্যান্মারদগী মীতোপশিং চংশিল্লকপা অমসুং ড্রগ অমসুং হ্যুমেন ত্রাফিক্কিংগা মরী লৈনবা ক্রাইমশিংগী মতাংদা নুংনাংবা ফোংদোকখ্রে।

৩) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা জম্মু কাশ্মিরদা লুপা কোতি লিশিং ১,৫০০ চংনা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরনা শঙ্গাখ্রে, খরগীনা যাত্রা হুনখি।

৪) লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা শাবগী চাং হেনগৎলকপদগী সফদরজং হোস্পিতালদা হৌখিবা পুং ২৪ দা মীওই ১৩ লৈখিদ্রে।

অমসুং

৫) তামিল নাদুদা হু চেনবা য়ু থকলুবদগী শিবা মীগী মশিং ৩৫ শুখ্রে, ১০০ রোমা লায়কন্নরি।

------

গোবিনদাস (এল)ঃ হৌখিবা তাং ১৩ দা শেমখিবা কেবিনেট সব-কমিতি ওন রিহেবিলিতেসন এন্দ রি-সেট্টলমেন্ট ওফ ইন্তরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনগী চেয়ারমেন ওইরিবা ৱার্ক্স মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, ইনমেটস অমসুং ইনমেটস কেম্পকী কমিতিগা ফম্মিনদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগী অৱাৎ অপাশিংগী মতাংদা হকথেংননা ৱারী শান্নখ্রে। মীফম অসি বিষ্ণুপুর জিলাগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা শ্রী গোবিনদাস কোন্থৌজমনা হায়- রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিং মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনহন্নবা অমসুং মখোয়গী অৱাৎ অপাশিং কোকহন্নবগী থবকশিং অথুবা মতমদা পাঙথোক্লগনি।

তুংদা, কমিতি অসিগী চেয়ারমেন গোবিনদাস কোন্থৌজমনা লুচিংদুনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা লোয়ননা রিলিফ কেম্পশিংদা চত্তুনা হকথেংননা য়েংশিনখি।

ঙসিগী মীফম অদুদা এনিমেল হজবেন্দরিগী মন্ত্রি খাসিম ভাসুম, এম.এল.এশিং- টি. রোবিন্দ্রো অমসুং টি.ঐচ. শান্তি শরুক য়াখি।

সেমিনার (এল)ঃ নুমিৎ হুমি চত্থগদবা এদভান্স মেটরিয়েলস: এ ৱে ফোরৱার্দ টুৱার্দস এ সষ্টেনেবল ফ্যুচর (এ.এম.এস.এফ-২০২৪) হায়বা সেমিনার অমা ঙসি নম্বোলগী এস. কুলা ৱিমেন্স কলেজদা হৌদোকখ্রে। সেমিনার অসি নিউ দিল্লিগী কাউন্সিল ওফ সাইন্তিফিক এন্দ ইন্দষ্ট্রিয়েল রিছার্স (সি.এস.আই.আর)গী মখাদা কলেজ অসিগী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা কলেজ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিক্সকী হেদ, ডাঃ এ. জোয়না হায়- নোংম নোংমগী মীগী মশিং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপনা ঐখোয়না হিংবদা দরকার লৈবা মখল কয়াগী খুৎশু খুৎলায় অমদি পোৎ চৈগী তঙাইফদবসু নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি। অসুমা হেনগৎলক্লিবা চাং অসি মায়োকনবগীদমক অনৌবা মখলগী টেকোলোজি য়াওবা খুৎশু খ্ৎলায় কয়া পুথোকপগী তঙাইফদবা লাকই।

সেমিনার হৌদোকপগী থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা কলেজ অমদি য়ুনিভর্সিতিশিংদগী দেলিগেট ৫০ না শরুক য়াখি।

নার্কোতিক্স (এল)ঃ নার্কোতিক্স কন্ত্রোল ব্যুরো, এন.সি.বি জোনেল য়ুনিত ইম্ফালনা শিন্দুনা ড্রগ এব্যূজ এন্দ ইল্লিসিত ত্রাফিক্কিং হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা মহৈরোইশিংবু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা মৈত্রমদা লৈবা য়ুনাকো স্কুলগী মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

পুন্না মহৈরোই ৪০০ রোমা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা এন.সি.বিগী পাব্লিক রিলেসন্স ওফিসার এস. শুশিন্দ্রো শর্ম্মা অমদি ইন্টেলিজেন্স ওফিসার কে. হেরোজিৎনা ড্রগ চাবা, লল্লোনবা অমদি মসিনা খুন্নাইদা পীরকপা চৈথেংদা য়ুম্ফম ওইবা ৱাফম কয়া মহৈরোইশিংগী মফমদা থমখি।

শঙ্গাবা (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী খাঙবোক পার্ট-টু ময়াই লৈকাইদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা শাবা য়ুম অমা লোইশিন্দুনা খুৎশিন্নবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা শাবা য়ুম অদু খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা দি.সি. অহন্থেম শুবাসনা হায়- সোসিয়েল মিদিয়াদা খাঙবোক পার্ট-টু ময়াই লৈকাইদা মচিন মৌপৱা অনিখক ফিভম চাদবা য়ুম অমদা য়ামা ৱানা লৈরি হায়বা থেংনখি। মসিগী মতুংদা মখোয় অনিগীদমক য়ুম অমা শারশি হায়না তোঙান তোঙানবা সি.এস.ও অমদি লন্নাই মীওই কয়াগী মতেংগা লোয়ননা য়ুম অসি শাখিবনি।

স্কিম (এল)ঃ সি.এমগী হেলথ ফোর ওল স্কিম ঙসি শওম্বুংদা লৈবা প্রাইমারি হেলথ সেন্তরগী ওইনা হৌদোকখ্রে। ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চীফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ এল. ইন্দিরা দেবীনা হায়- সি.এমগী হেলথ ফোর ওলগী মখাদা য়ুম য়ুম চত্তুনা তোঙান তোঙানবা লায়না মখল ১০ লৈব্রা হায়না স্ক্রিনিং তৌগনি। খুল ২৩১ গী চহি ১৮ গী মথক্তা

লৈবা মীওইশিং  স্কিম অসিনা কোনশিল্লি। মখা তানা শওস্মু পি.ঐচ.সিগী মখাদা লৈবা খুল ৬ কী য়ুম য়ুমদা চত্তুনা অনা লায়েং অমদি হিদাক লাংথক পীবা হৌরগনি।

য়ুএন (এল)ঃ   য়ুনাইতেদ নেসন্সতা পার্মেনেন্ট মিসন ওফ ইন্দিয়াগী ফার্ষ্ট সেক্রেটরি ওইরিবা খিতিজ তিয়াগিনা ভারতকী অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা য়ুমথংনবা লৈবাক ম্যান্মারদগী মীতোপশিং চংশিল্লকপা অমসুং মসিগা লোয়ননা চত্থরিবা ড্রগ অমসুং হ্যুমেন ত্রাফিক্কিংগা মরী লৈনবা ক্রাইমশিংগী মতাংদা অকনবা মীৎয়েং চংলদুনা নুংঙাইতাবা ফোংদোকখ্রে।

হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী ৫৬ শুবা মীফমগী শরুক অমা ওইনা জেনেভাদা পাঙথোকখিবা হ্যুমেন রাইটস সিচুয়েসন ইন ম্যান্মার হায়বা সেসনদা শ্রী খিতিজ তিয়াগিনা হায়- ভারতকী মাইকৈদগী হৌজিক্কী ওইনা লৈবাক অনিগী মরক্তা ওইরিবা ফিভম অমদি চয়েৎনবা অসি ৱারী শান্নদুনা য়ান্নবা পুরকবা ৱাফমশিং ফোংদোকখিবা লৈরে। ওইরিবা ফিভমশিং অসিদা থস্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোক্লদুনা লৈরিবা চয়েৎনবা অসি লোইশিন্দুনা শান্তি পুরকবা হোৎনশি হায়খি।

শ্রী তিয়াগিনা হায়- ভারতনা ম্যান্মারদা মরা তপ্পা, শান্তি লৈবা অমসুং চাওখৎপা লমদম অমা ওইনবা অখন্নবা মীৎয়েং তুংদুনা লাক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা তেংবাং পীবা, মীয়ামগী কান্নগদবা প্রোজেক্টশিং অমসুং শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা মতেং পাংদুনা লাক্লি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

থৌবাল (এল)ঃ   শঙ্গাইয়ুম্ফম পুলৈ পোকপা শাবল লৈকাইদা থোকচোম অরুন কৌবা মীওই অমা চিংননিঙাই ওইবা মওংদা শিরগা লৈরম্বা থৌদোক্কা মরী লৈননা ঙসি নুংথিল খাঙবোক নিউ মার্কেটতা লৈকাইগী মৈরা পায়বী ইমা ইবেলশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং সরকারনা অথুবা মতমদা পুথোকপীদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীবনবা তকশিল্লি।

এফওসিএস (এল)ঃ হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা জিরিবামদা ওইরক্লিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমদি মসিনা মরম ওইরগা শাফগদবা মফমদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিং হকথেংননা উন্নরগা ৱারী শানবা অমসুং মতেং পাংনবগীদমক ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন্স (ফোক্স), মণিপুর ৱিমেন্স ফেদরেসন অমসুং পাউমী অনি য়াওবা মীওই ৬ না শাবা কাংবু অমা জিরিবামগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

কেম্প (এল)ঃ কাইরং মমাং লৈকাইদা লৈবা ৱাই.য়ু.সি ক্লবকী শঙলেনদা ঙসি লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসি জেনিমস রিলিফ কমিতি, জোইন্ট এক্সন কো-ওর্দিনেতিং কমিতি, মেদিকেল ওফিসার ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ওর্গনাইজেসন ফোর সোসিয়েল ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

তেংনৌপল (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি বন্ধন য়োজনাগী মতাংদা তেংনৌপল জিলাগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল এদভোকেসি কম ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি জিলা অসিগী খাংসিম ভিলেজদা লৈবা কে. কোসাং মেমোরিয়েল হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি ত্রাইবেল কোওপরেতিভ মার্কেতিং দিভলপমেন্ট ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া, ত্রাইবেল এফ্যারস মন্ত্রালয় অমসুং রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগকী মখাদা তেংনৌপল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দিপ্যুতি কঞ্জার্ভেতর ওফ ফোরেষ্টনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা তেংনৌপলগী দিপ্যুতি কঞ্জার্ভেতর ওফ ফোরেষ্ট- মহামুদা বেগমনা হায়- প্রধান মন্ত্রি বন্দন য়োজনা অসিগী মখাদা উমংদগী ফংলবা হৈ-রা অমদি অতৈ চাবা য়াবা পোৎলমশিং অসি নিংথিনা মীয়ামা পামগদবা মওংদা শেমদুনা পুথোক্লগা কৈথেলদা য়োনদুনা শেন্দোং য়ামা ফংনবা হোৎনবা অদুবুনি। মসিগীদমক সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংদা উমংদা ফংবা হৈ-রাশিং লীদুনা থন্বা অমসুং মসিবু মীয়ামা পামগদবা মওংদা শেম শানবগী মতাংদা ত্রেনিং পীবা লোয়ননা দরকার লৈবা খুৎশু খুৎলায়শিংসু মতেং পাংগনি হায়রি।

দাই ইন হরনেস (এল)ঃ  রাজ্য সরকারনা ইং ২০০৭ কী জন্ ৬ তা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না দাই ইন হারনেস স্কিম নৌনা চৎনহনখিবগা লোয়ননা মরী লৈনবশিংনা দরখাষ্ট পীশিল্লকবা খঙহনখিবা অদুদা পীশিনহৌদবশিং নৌনা অমুক পীশিল্লকবা রাজ্যগী জেনেরেল এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিপার্টমেন্টকী চেরোল অমনা খঙহল্লি। দরখাষ্ট পীশিল্লকপগী মতম মমাং থাগী ২৩ দগী পারগা থা অনিগী মনুংদা পীশিল্লক্কদবনি হায়রি।

কাং (এল)ঃ  শিংজমৈ কাংখুৎনা শিনদুনা চত্থরিবা অহানবা ককচিংতাবম কুঞ্জাবী শর্ম্মা মেমোরিএল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্রৱাইজ কাং টুর্নামেন্টকী ঙসিগী মেটচতা শান্নবগী অপিবা মতম অমসুং টাইব্রেক্তা দ্রো তাবদাগী টোস তৌবদা খুন্দ্রাকপমনা শিংজমৈ-বিবু থোইখ্রে।

পিএমঃ    প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙসি জম্মু কাশ্মিরদা থুংখ্রে। মফম অদুদা শ্রী মোদিনা লুপা কোতি লিশিং ১,৫০০ চংনা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট ৮৪ খরনা শঙ্গাখ্রে, খরগীনা যাত্রা হুনখি।

মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা ঙসি শ্রীনগরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইমপৱারিং য়ুথ ট্রান্সর্ফোমিং জে.এন্দ কে. হায়বা থৌরমদা শরুক য়াখি।  শ্রী মোদিনা সরকারগী বিভাগশিংদা থবক খল্লবা মীওই লিশিং অনিরোমদা এপোইন্টমেন্ট লেট্টর খুৎশিন্নগনি। মহাকা লুপা কোতি লিশিং ১,৮০০ গী শেনফম ওইগদবা কম্পিটিটিবনেস ইমপ্রুবমেন্ট ইন এগ্রীকলচর এন্দ এলাইট সেক্তর হায়বা প্রোজেক্ট অমসু হৌদোক্কনি। মথংগী নুমিৎতা শ্রীনগরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১০ শুবা ইন্টরনেসনেল যোগ ডে কুম্মৈদা শরুক য়াগনি।

দিল্লি ঃ     লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা শাবগী চাং হেনগৎলকপা অসিনা কা হেন্না শাবদগী ওইরকপা লায়নানা মরম ওইরগা দিল্লিগী সফদরজং হোস্পিতালদা হৌখিবা পুং ২৪ দা মীওই ১৩ লৈখিদ্রে। পনবা য়াই, ঙরাংসু আর.এম.এল

হোস্পিতালদগী শাবনা মরম ওইরগা মীওই ৯ লৈখিদবগী রিপোর্ট লৈখ্রবনি। হিরম অসিগী মতাংদা হকশেল মন্ত্রালয়গী মাইকৈদগী হেলথ দিপার্টমেন্টশিংদা অসিগুম্বা কেসশিং লাকপা মতমদা হোস্পিতালশিংনা অহেনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবগী মতাংদসু চেরোল অমা থোকখিবা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, দিল্লিদা শাবগী চাং হেনগৎলকপগী অৱাবা মায়োকরিঙৈ চৈরক অসিদা মীয়ামা হৌজিক ঈশিং ফংদবগী অৱাবসু মায়োকরি। মফম অয়াম্বদা ঈশিং ফংদবনা মরম ওইরগা মীয়ামা ঈশিং টেঙ্কি গাড়িশিংদগী নোংমগী দরকার লৈবা ঈশিং লৌনবা হোৎনরি। ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োকরিবা মফমশিংগী মনুংদা সঙ্গম বিহার, মেহরাওলি, বসন্ট বিহার, বিকাশ পুরি, উতম নাগর অসিনচিংবা মফমশিং য়াওরি। ঈশিংগী অৱাবা মায়োকরিবা অসি যমুনা তুরেলদা ঈশিংগী ঈমায় হন্থখিবা অমসুং মরুওইবা ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লেন্টশিংদা টেকিকেল প্রোব্লেম কয়া লৈবনা ওইগনি হায়রি।

তামিল নাদুঃ তামিল নাদুদা হু চেনবা য়ু থকলুবদগী শিবা মীগী মশিং ৩৫ শুখ্রে। মীওই ১০০ রোমা কালাপুরিচিগী হোস্পিতালশিংদা লায়কন্নরি। থৌদোক অদু থোকপগা জিলা অদুগী দিষ্টিক্ট কল্লেক্তর ত্রান্সফর চৎখি অমসুং দি.এস.পি. য়াওনা ওফিসিএল কয়া অমনা সসপেন্দ তৌখি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা রাজ্য অদুগী মুখ্য মন্ত্রিনা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ ১০-১০ গী শেনফম অমসুং তোঙান তোঙানবা হোস্পিতালশিংদা লায়কন্নরিবা মীওইশিংগী ওইনা লুপা লিশিং ৫০-৫০ ক্ষেতিপুরন পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

হু চেনবা য়ু অদুবু য়োনখিবা মীওই অদুসু ফাগৎখি অমসুং মঙোন্দগী য়ু লিটর ২০০ হেনবসু ফাগৎতুনা মখা তাবা টেষ্ট তৌনবা লৌখৎখ্রে। পাউমীশিংগা উন্নবদা তামিল নাদু হকশেল মন্ত্রি-এম. সুব্রমনিয়মনা হায়-য়ু অদুদা মিথানোলগী চাং কা হেন্না য়াওরম্বা মরমনা থক্লুবা মতমদা মীওইশিং অদু লৈখিদবনি। থৌদোক অসিদা চেন্নবা খুদিংমক্কী মথক্তা সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎলগনি হায়না মন্ত্রিনা মখা তানা হায়রি।

রাষ্ট্রপতি ঃ    রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা লৈবা পন্দিৎ দিন দয়াল উপধ্যায় নেসনেল ইন্সটিট্যুট ফোর পার্সন্স ৱিথ ফিজিকেল দিসএবিলিতিজদা চৎখ্রে। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা রাষ্ট্রপতিনা দিবিয়াং অঙাংশিংগা ৱারী শান্নখি, লোয়ননা মখোয়না উৎপা কলা সংস্কৃতিগী থৌরমশিং য়েংখি। শ্রীমতি মুরমুনা মফম অদুদা লৈবা প্রোসথেসিস অমসুং ওর্থোসিস সেন্তরশিংদা চত্তুনা অনাবশিংগসু উন্নখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- লৈবাক অমা চাওখৎপগী থাক অসি লৈবাক অদুগী মীয়ামা দিবিয়াংজনশিংগীদমক হোৎনরিবা থবক থৌরমশিং য়েংলগা লেপ্পা ঙম্মী। রাষ্ট্রপতিনা ইন্সটিট্যুট অদুগা মরী লৈননা দিবিয়াংজনশিংগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনরিবা মীপুম খুদিংমকপু থাগৎপা ফোংদোকখি।

ক্রিকেট ঃ  য়ু.এস.এ অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা নুপাগী টি-ট্বেন্তি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপতা ভারতকা অফগানিস্থানগা ঙসি থেংনরগনি। মেটচ অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দা বারবাদোজকী ব্রিজ টাউন্দদা লৈবা কেনশিংটন ওভেল ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

ঙরাং এন্তিগুৱাদা লৈবা সার ভিবিয়ান রিচার্দস ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা সাউথ আফ্রিকানা য়ু.এস.এ.বু রন-১৮ দা মায়থিবা পীখি।

------